## ৱারী মচা

# শণ হূরানবা

*এন ইবোমচা, ত্রিপুরা*

শন হূরানবা য়াম্না কল্লে। শঙ্গোন্দা শন থম্বা য়ারক্লে। শঙ্গোলগী ফক্লাং ফত্তবা অয়াম্বা মীনা অহীংদা চাখুম নৎত্রগা য়ূময়ায়দা শন পুশিন্দুনা হীপমিন্নরি। হামেঙ মানবী শন পাবোৎ অমা লৈবদা অতাবীদা লুপা লীশীং মরীনি। হায়রিবা লুপা লীশীং মরীগী পাবোৎতুনা উকায় তকপগী ৱাদি লৈতে। শঙ্গোম চাগনি আশাদা কনানসু শন লোইনদ্রবনি। লৌ য়াম্না উদবা লৌমী মচা অয়াম্বা শন লোইনদ্রে। ত্রেক্তর ওইনা লৌ খোইহল্লি। বাংলাদেশ বোর্দরগা তাইননা লৈবসি তশেংনমক্কী অৱাবনি। নহাল অহীংদসু খুরা অমুগী অমতং ঙাযজরবা শল্লাবা অদু হূরানখ্রে। শন অমা লৈদুনা পাবোৎ ফাহনবা ঙমদ্রদুনা ইপূ কালাগী বাঞ্জি হাতম অদুগা লম্বা পাহন্দুনা মখোয় অনী শিন্ন-শিন্ননা শম্পোাৎ খোইরিবনি। খুরা অমুগা লোয়ননা ইপূ কালাগীসু শম্পোাৎ লেপ্পবনি।

হূরানবা অসুম কনশীল্লকপদুদা খুলগী নহারোলশিংনা তঙাইফদনা থৌদাং অমা লৌফ মথোকই হায়না অহল-লমন লোয়ননা ইমা-ইবেনশিং ফাওবা য়াওনা চীবোন-চীবোন ঙাঙনবা হৌরকখিবদা নোংমদি ঐখোয় খুলগী মমাঙ, মনীং অমসুং ময়ায় লৈকায়গী নহারোল মান্দপতা মীতিন অমা তিল্লে। কূপ্না নৈনরবা মতুংদা অহীং খুদীংগী মীওই অহুম পালি (দ্যুতি) নাইনা চৎনবা লেপ্লরে।

নুমিৎ অদু ময়ায় লৈকায়দগী ঐ, মরূপ মাধব অমসুং মনীং লৈকায়গী মোহেগী পালিনি। মাধব ইবানী নুমিদাংগী চাক চারগা চৈ অমমম পায়দুনা চৎনবগী মনীং লৈকায়দা মোহেবু হৌবা চৎলি। মোহে চাক তোক্লদুনা মপান্দা হংচীক লাংদুনা লৈরম্মী। ‘‘করিনো অসুক ঙন্না পালি চৎলসি হায়রিবো? শন হূরানবশিংদুবু চাক চারমখিরোই হায়মি’’। মোহেননি।

‘‘ঙন্না চৎলগা ঙন্না হেক ইথৌ লোইশিল্লগা লোইরেদনা।’’ মাধবনা ফাগী ওইনা হেক খুম্মী।

‘‘ঙল্লি হায়রগা ঙহাক ফম্মিন্নদুনা গীতা পাঠ তৌরগা লোইরেদনা।’’ ঐনা অনীদুবু তাইশিল্লি। ঐখোয় অহুম্মক ৱা লাউনা নোকমিন্নে-অতে মখা তানদে। মতম চাদনা গীতা পাঠ তৌসি হায়বগী অর্থ করিনো শুগাইনা হায়রুবগী কান্নদে। মোহে ঙাইবা ওইনা রাধাবুসু কৌরুরে, মাঙ্গোন্দা ফিদা থাদুনা লৈতানা ফম্মে। ৱারী-ৱাতায় তৌনরিঙৈদা মতম হৌখিবা খঙহৌদ্রে। লৈকায়গী মীয়াম তূন্নখ্রে চেক-মোক লাউনখিদ্রে। ঘড়ী য়েংবদা অহীংগী পূং তরানিথোই তাশিনখ্রে।’ শাংথবা চুমদ্রে। ঐখোয় চৈ পায়বা অহুম মোহেখোয়দগী থোরক্লে।

মনীং লৈকায় অমসুং ময়ায় লৈকায়গী মরক অসি লৌবূক-লমহাঙনি। মনীং লৈকায় হেক চঙফমদা চাউরবা খোংনাং পাম্বী অমা লৈ। মতম অমদা খোংনাং মখোঙসিদা য়াম্না তন্নরম্মী হায়নৈ। মফমসিদা ভূত ওক্লদুনা থৌনা ৱাৎপা মী কয়া শিবা য়াওখ্রে হায়না ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা তাখি। চহী তরামুক্কী মমাঙদা মমিং চৎলবা হাও মাইবা অমা কৌরুদুনা খোংনাংগী ভূতশিংদু মফম অতৈদা থাদোকহনখি হায়। অদুগী মতুংদগীদি খোংনাং মখোঙসিদা তন্নে হায়বা থোইনা তানখিদ্রে। তৌববুদি মী অসুম কূংশিল্লকপনা উমং কোকশীল্লক্লি লোয়ননা ভূতশিংসু খুল্লক-লৈরক থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। অদুগা হায়রিবা মনীং লৈকায়গী খোংনাং মখোঙসিদি অয়াম্বা মীনা হৌজিকসু কিনরি। মনীং লৈকায়গী অমিত, রাজেন, সুখেন্নচিংবা নহামচা খরদি করিমত্তা কি -লাকপা তৌদে। মমাঙ লৈকায়দা তাস শান্নরগা অহীং থেঙনা থেঙনা মতোমতা ময়ূম হল্লি।

ঐখোয় অহুম মোহেখোয়গী থোঙ্গাল লান্থোরক্তুনা নোংপোক পাংনা য়েংখিবদা ময়ায় লৈকায়রোমদগী তোর্চ কাপ্তুনা নোংচুপ পাংনা মী কূমথরকপা উই।

‘‘শোইদ্রে ঙসিদি, শন হূরানবা ওইরমাল্লে!’’ মোহেনা লাই শোনগুম মচীনদা মুরুম-মুরুম শোল্লকই।

অহীং অথেঙবদা তোর্চকী মঙালগা লোয়ননা মোহেগী লাইশোন্দুনা পুক্লীং থূক লাউহল্লি। হূরানবা ফানি হায়দুনা চৎলিবনি অদুবু তশেংনমক্কী শন হূরানবগা মায়োক্লগনি খল্লুবদা মিহুল চেনগুম চেনগানৈ, খৌনাউ কংশিল্লি, লৈ ফাজীল্লি। মখোয় অনীদি কমদৌরি মদুদি মখোয়তনা খঙঙি। মোহেখোয়গী চন্দ্র ইকু মখোঙদা ঐখোয় অহুম তূমিন ফমদুনা হূরানবা লুম্মী। তোর্চকী মঙাল অদু থাপ্লা অমুক্তং ঙাল্লম্লগা অসুম ঙানখিদ্রে। হূরানবগী তোর্চনবুদি কয়াম ঙানবা হৌনগে। থাশি মতুংগী নীনি নৎত্রগা হুমনি কোনবনি। সন্ধ্যাদা থা অদুম তাখ্রে, পূম্মম মম্মী। হূরানবগীদি য়াম্না নুংঙাইখ্রবা অহীংনি। ঐখোয় অহুমদি তূমিন ফমদুনা হূরানবা লুম্মী। ৱা থোইনা ঙাঙনদে। মতম ফনা কুইখ্রে। তোর্চকী মঙালসু অদুম উখিদ্রে, হূরানবা লাকপগী মনিন-মৱাসু তাদ্রে। অদু ওইরবসু ঐখোয় তূমিন্না ফমদুনা অদুম হূরানবা লুম্লি। ঙাইহাক্কী মতুংদা মনীং লৈকায়গী খোংনাং মখোঙদুদা মৈখেৎ খেৎপগী মঙাল অমা উই।

‘‘শোইদ্রে, শোয়দ্রে, শন হূরানবনি, শন হূরানবা।’’ মাধবনা য়াম্না ফিংগৎনা হায়রকই। মরৈদু খরা ফাইবগুম তৌই। ‘‘হৈ! মসিবু মখোয় মখোয় মশেল সিগেনল পীনরিমাল্লে।’’

য়ৌশিল্লক্লে। অদুমক্তদা ঐখোয় হূরানবা ফাগদবগী লুম্লি। হন্দক্তি হূরানবা চঙশিল্লকপগী মনিল তাবা ফংলে। লেপ্তুনা অসুম চঙশিল্লক্তুনা ইনাক্তগী ওইনা হূরানবদু রাজেনখোয়গী শুমাঙদা চঙশিনখ্রে। মখোয়গী শুমাঙ, য়েনখা-লূখাদা তোর্চ কাপ্পী। অদুবু ঐখোয়দি অসুম লুম্লি মনাক্কী চন্দ্র ইকু মরুমদা, ফমদুনা অসুম লৈরি। ঐগী লৱাই শম চপ য়ুংখি করি তৌগনি খঙখিদে, তূমিনা তাশীন্দুনা অদুম ফমদুনা লৈখি। তোর্চকী মঙালদুসু উখিদ্রে, ফক্লাং নমখায়দুনা শন পুথোকপগী মখোলসু করিমত্তা তাদে। ঐখোয় অহুম কয়াম কুইনা পঙশিন্দুনা ফমদুনা লৈখিবনো খঙদে।

‘‘করিনো ইবোমচা। তূমিন্না লৈখ্রেনেসে।’’- মোহেননি।

ঐ খনফম খঙখিদে।

‘‘চৎসি, চঙশিন্দুনা য়েংসি।’’ অসি হায়রগা মাধব ফম্নম্বদগী হৌগৎলকই। ঐসু মখোয় অনীগী মতুং ইল্লি। তপ্লা তপ্লা য়াম্না চেকশীন্না ঐখোয় রাজেনখোয়গী শুমাঙদা চঙলকই। শঙ্গোল থোঙ ফক্লাং কৈদৌরমদে। য়েনখা-য়েনখূল তোর্চ কাপ্তুনা য়েংঙি, করিসু ফংদে। রাজেনবু কৌদুনা হৌদোকই। অনীরক কৌবদা মহাক হৌগৎতুনা থোরকই। শন হূরানবা লাক্লম্মী তাবদা মখোয়সু ফিংগৎলি। ঐখোয় ময়াম চঙনা কোয়থি থিরে। লোৎপা য়াবা মফম খিবিক নীংথিনা য়েংঙে, ফংদে।

‘‘নত্তেনে, নখোয় হায়রিদুবু কয়াম কুইখ্রবগে’’ রাজেন্না হংঙি।

‘‘য়াম্না কুইদ্রি, ঙাইহাক্কী মমাঙদনি।’’ ঐখোয় অহুম চপ মান্ননা খুম্মী।

‘‘করিনো হায়রিদুবু। ঙাইহাক মমাংদনি ঐনা মমাঙ লৈকায়দগী হল্লক্লিবা। কনাগসু থেংনদেনা’’ রাজেন্না মখা তারকই।

ঐখোয় অহুম ৱা মখা তারুদ্রে।

## ঈশৈরেং

### অশেঙবা

*– তোংব্রম শামুঙৌ*

অশাউবসু লৈতে
ৱারৌবসু থমদে
ইচা ওইবা নখোয়গী থম্মোয়গী ৱাদুনি
অশেঙবা ঐনা খঙবা পাম্লিবা।
নখোয়গীদমক,
নখোয়গী থৱায়না পেন্ননবা
মপা অমা ওইবগী মতমগী চৎনবী ঈরাংদা
মতমসিগী হায়নবী
চাক-চা, য়ুথক, লীচৎ-শাজৎতা
শরুক য়াহনবা ঙমদ্রবা
ঐ,
হায়রো তারগে ঙসিদি
পূক্লীংগী ৱা লোৎতবা
নপানি হায়না হায়নিংদবৈ
অরোইবা ওইনা ঐ।

### পূকমায়দা য়োনবা থৱায়

*– ওইনাম কুবের*

হে অরাম- খৌরাং মৈচাক!
ওন্থোক্লসু কল্লিদা নহাক্কী চৈনা!
মমাগী মথানুংদগী মচা শক্তুনা
লম্লানবদা শিন্নবা ঙমই নহাক্লা।

নহাক্কী ঈখৌ ঈৱায়রক্লবদা
থম্মোয়নুংগী নুংশিবা মাঙখিদো,
‘নুংশিব’গী মমল লৈহন্দে,
মমা-মচা মরী লৈনহন্দে।

পীরাংতনা চোৎলবা মোল্লাংদা য়াত্তারদুনা
হীক্লা কপ্লি নৱা অমা,
খোম্লেন মঙলানচা অমদা
অমম্বা সংসার অমদা।

চাক চয়োম পায়দুনা মমানা
চেল্লকখি, ‘ইমা লাক্লে’ হায়দুনা,
মমা-মচা চেজেৎ কোনশিনমিন্নখি,
মপোকসিমগী থাদোক্লগদবা মান্দে।

চাক চদুম চদুম চামিন্নখি
পীরাং চদুম চদুম শিন্থমিন্নখি
কাউরুরবা মীনোক মীওইপোক্কী
চিনবান কাঙনা নোকমিন্নখি।

‘‘ঐবু য়োন্থোকপিগনুকো ইমা।
নতুং ইন্দুনা লাক্লগে,
চাগেসু হায়ররোই,
শেৎকেসু হায়ররোই।’’

পেল্লবা থৱায়না মচাগী
মতুং ইন্নখি মমাগী,
হকচাং পোলাং থনম্লগা
অয়োনবা থৱায়গী মমল হন্দুনা।

ইনুং শোরা তৈবদা,
ৱা-গী কাংথক মথক্ত,
তারি হকচাং পোলাং
মপুগী চৈফু খঙবিদনা।

### নুংশি চৈনা

*–নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

নুংশি লানফমদা মায়থীদুনা
কায়না পামেনখাদা ফমদুনা
হকচীক লাংলিবনি ঐ।
মায়বনা খুৎ থারবা অনাবদা
খোয়দৌৱা কাংলোন শান্নবগুম
য়েন্নীংথাগী মপাও পুরক্লিবরা মালংবা?
নঙগা শকখঙনরুবদগীনি
থম্মোয়নুংদা মৈগী চীং পুদুনা
থাবলগী মঙালদা মৈশা লাংলিবা।
অপাইবা লৈচিলনা
খঙহৌদা নোং ওনখিবগুম
অমুকসু পাখৎচৈ, নোংঙাল্লকপসিদা
নত্তে, ঐদি পৃথিবীরাজ
জয়চান্দগী রাজ সভাদগী
লৌরুবা ঙম্বা ‘‘সংযুক্তা’’
সুপ্নতগী নুংশি লানফমদা
ওইরুবনি খুৎলাই পায়দ্রবা লান্মী।
অদুবু
পখরবা ঐগী থম্মোয়সে
নঙগী শম্লাংগী চেঙহি মনম্লা
তেকখৎহনখিবা নৎত্রা?
মসিবু ঈজ্জৎকী ফিজীদা
লৈখোম তৈশিনবনি হায়দৌরিবরা?

### হয়িং খোংয়াম্বী

*– নিংথেমপিশক*

হয়িং খোংয়াম্বী!
হয়িং খোংয়াম্বী!
পাইরক্লেদনা কমদৌনি
তোংখ্রেদনা ভালভুক্তা।
পাইখ্রমাল্লে খল্লুবা
শরীক মখোল তাবদা
প্রসাদীদা অমুক তোংলরে।
তাল্লসিরা মসিবু
ওন্থোক্লা ফরক তাখ্রেদা।
মচীন মরৈনা শৎ-শৎ লেক
ও! লোইনা মাংথোক্লেদনা
অচা-চা
কয়াদা মচোংপাক নাইদ্রিবা!

### ঈচেল লৈবা লৈতবা

*– রনবীর সারুংবা*

ৱাংমা ৱাংমা তাহল্লম্বা
অমতা ওইনা উহনবা ঙমহন্দবা
তুরেলগী ঈচেল অসিনা
কংখ্রবা মতূং অসিদা
চেল্লিবা ঈচেলগী ঈশিং চামিন্নদুনসু
হৌমিন-কামিন্নবা মরুপ-মপাং
ইরোই ইচানি খনবা ঙমহন্দে
নুঙ লংনখি।
নাউরী কাপ্নখি।
হৌজিক্তি
থৎলম্বা ঈচেল কংখ্রবনিনা
পীক্লা তূংহৌবা ঈশিং
কন্দুনা শীজিন্নর’ তুংসিদা
নক্লদবা য়াদদুনা নক্লরে
মরক থৎলম্বা ৱাখল
মতৎ মতৎ তক্তুনা
অমতা ওইররে নৌহৌনা।

### লমন

*-গোপেশ্বর ঔগ্রিথেনবা-*

পুক্লিং- লৌশিংগী লম্বীদা
হৈনা খোঙথাং থাংবশিংবু
পম্বুংগী মায়ওন শেম্বীরি।
অমম্বা লমদাং খুদিং
কখোকপগী মৈরা পায়দুনা
মঙালগী খোঙফমদা লেপ্পীরি।
অকি-তুজুং পোকপা লমদাং খুদিং
খুৎ শম্নগা লান্থোকপীরি।
লম্বী লমশাং লাকপদা
চোকথরকপা কয়ারক্তা
খোঙ থাংবা থোক্তদুনা
খোঙচৎ মঙম শান্দবদা
পাঙ্গলগী চৈশু ওইবীরি।
মীৎকুপ পুংজা খুদিং
পুন্সি ঈশৈ ঙংবীরি।
অচান-মীরায় নাইদবা মক্তবা পুকচেন্দগী
য়াইফরোনগী অখাকপা থমদবা মীৎয়েংনা
থৌজালগী পাম্বোম তিংবীরি।
মপান নাইদবা তাইবংগী থকখল-নুংদা
থৱায় পানবা কাঙলুপ অমতগী
ফিদা ফংমিন্নরিবা খোয়দাজবা
মেক্রুক মনম ফংবা
পুন্সিগী মীৎকুপ্তদি
নীংশিংদবা ঙমদে
থৌদাং চাউবা মখোয়গী লমন।।

## তাবুনুংদগী

*(মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবেতনা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী লুচিংবা ওইদুনা মতম অদুগী বৃটিশ অমদি নিংথৌ লৈঙাক্কী মায়োক্তা ইহৌ শাগৎলকপা মতমদা লুচিংবা অসিনা ইরগা ঈশৈ ওইনা শক্লখিবা ঈশৈ শৈরেং অমা তাবুনুংদগী লৌখৎচবি*

### হীদাক পাম্বীদা টৈক্স লৌরে

হীদাক পাম্বীদা টেক্স লৌরে
হীদাক পাম্বীদা দশা তারে,
খৌবোম থন্না থকখিদরা
অহল-লমল হিংখিদরা?

হীদাক পাম্বীদা টেক্স লৌরে
হীদাক চফুদা দশা তারে,
য়েংউ ঙসিগী সরকার
ঐখোয়না লৈজবা ঈংখোলদা
মুনা-মুনা য়েংশীল্লক্লে
মোরোক পাম্বীদা টেক্স লৌগদৌরি।

*হিজম ইরাবোত*

## মণিপুরী পান্থৈ -পাউরৌ, পাউতাক

**৭৩. ইচা হান্না ফুরগা মীচা কোন্না ফু।**
– ইচানা ফনা চুম্লবসু ইচাবু হান্না ৱারক্কদবা, মীঙোন্দা তাইনরুবা ফত্তবা।

**৭৪. ইচা ৱারকপদা লৈকাই মচা হৈথোই শিংথোই।**
–ইচা ফনবা তাকপদা মীগী মচানা শিংহৌবা।

**৭৫. ইচা অমা পোকপদা স্বর্গ কায়, ইচা অমা পোকপদা নোরোক তাই।**
– অফবা অমা য়াওরক্লগা খম থেংনা নুংঙাইবা, ফত্তবা অমা য়াওরক্লগা শাথিনা লৈখা তাবা।

**৭৬. ইচা নুপা পোকস ইমৌগী, ইচা নুপী পোকই ইয়াগী**
– অনীমক ইশাগী ওইজবা ফংদবগী পেন্দবা ফোংদোকপা।

**৭৭. ইশানা তৌবনা ইশানা ফঙই, মীনা তৌবনা মীনা ফঙই।**
– ঐনা তৌবনা ঐনা, মীনা তৌবনা মীনা ফংবা মহৌশানি।

**৭৮. ইশিৎপদা লৈনাংনা পনা থিংবা**
– থবক তৌবদা ওইরোইদবা পাম্বৈ শিজিন্নবনা অরেম্বা তাবা।

**৭৯. ইজাতিবু লৈখা তাহনবা, অৱাংবদা থাঙ্গৎপা ইশাগী লমচৎ শাজৎতা লৈ।**
– ঐ ঐনা তৌথোরকপা লিচৎনা ইশাগী শক্তাকচবা।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নিতি

–ঈশিং লৈবা মফমদা কাঙঙনা লৈ, ঈশিংনা কংলগা মফমদু থাদোকই। মীদি অদুন্না তৌফদে মরমদি মহাক্লা থাদোক্কদবা মী নৎত্রগে মফমদুদা হল্লক্তবা য়াদবা লৈবনি।

–মরম চানা খরচ তৌবা, করবার তৌবা, দান তৌবা নৎত্রগা হৈন্দোং ফংনবা পুথোকপনা মরম ওইরগা তুংশিল্লিবা লন্দু মাঙলোই। ঈশিং খরুংদগী অরিবা লৌথোক্লগা অনৌবা হৈজিনবা অদুগুন্না তুংশিনবা শেনবু মাঙহল্লোইদবনি।

– লন লৈবা মীগী মরূপ অমসুং মরী মতা লৈবনি। মহাক হিংবনি অদুগা ঈকাই খুন্নবনি।

– মীগী মপোক্তা পোক্লরবা স্বর্গদগী লাকপা জীবনি খঙনবা মরম মরি লৈ। মখোয়দুদি দান তৌগনি, নুংশিনা ঙাঙ্গনি, ঈশ্বর নীংগনি অদুগা ব্রাহ্মণগী নুংঙাইনবা তৌগনি।

– য়াম্না শাউগনবা, ৱা য়াক্লা ঙাঙবা, লাইরবা, মরী মতাগা য়েক্লবা, অতোনবগা তিন্নবা অমসুং অতোনবগী সেবা তৌবা (খনবা) হায়রিবশিংসিনা নরক্তগী লাকপনি হায়বগী খুদমশিংনি।

– তৌগে নীংলবদি শামুগী মকোক্তগী মুক্তা লৌবা য়াই, নোংশাগী মকোন্দসু চঙঙুবা য়াই, অদুবু লমহুই মখুলদা চঙলুবদদি যন্নাউ মমৈ নত্রগা গধাগী মউনা নত্তন করিশু ফংঙোই।

– মহৈ হৈতবা মীগী পূন্সিদি হূ য়গী মমৈগুম্বনি, ফত্তবা থাদোকফম থোঙবুসু খঞ্জিন্দে, কাঙ-হয়িংনচিংবনা চীকপবুসু হোইদোক্তে।

– ৱাহৈ শেংবা, ইন্দিয়াশিংবু লাকশিনবা পূক্লীং, জীব পূম্বদা থৌজান হৈবা, ধর্ম্ম কায়দনা লন তানবা হায়রিবশিংসি অরান খুভম ফংনবা খুদমনি।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরি পাউখোং

৯১. মহৈয়দি য়াল্লগা মপালদি শাদবা-
৯২. মপালদি শারগা মহৈদি য়ানদবা-
৯৩. মনিং হল্লগা ঙম্বা শকপা-
৯৪. মহয় মনুংদা মপাল শাৎপা-
৯৫. মশাগী মপোৎ মশানা শিজিন্নদবা-

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (১০-১২-২০১৭)**
**পাউখোঙ ফোঙবা**
৮৬. হিদাক থকপা
৮৭. তোচলাইট
৮৮. লালতেন
৮৯. ফৌ তক্লবা চক্রী
৯০. শম্বানদোং

## কান্ন-ৱানি খঙজীনবিয়ু

*** কোট্লিং কাশীল্লবা পোৎ ফেঙদোকপিগে হায়রবদি?**
– কেট্লিং মতা থীনা কাশীল্লবা পাত্রনচিংবা পোৎলমশিংবু লংত্রিক লংনা শেংদোকপিগে হায়রবদি তেরসিং (কেরোসিন) দা লূপশীল্লুরবা ষ্টিলব্রুলদা শুদা-সাপোন হাপচীনবিরগা তকথোকপিয়ু।

*** খঙাইদা অশূপ্লা ময়ি লৈরক্লবদি?**
– খজাইদা অশূপা ময়ি লৈরক্লবদি-কৈথেলদা লায়না ফংবা ওলিব ওইল (olive oil) খরদং লৈবীরগা থম্বিয়ু। অদুগা, মদু খজাই শীন-থুংনা তৈবীরগা খূৎশাশিংনা খদাংলোমদগী মীৎপানলোমদা কোইরপ-কোইরপ (circle গী মওংদা) হেক-হেক নানবিয়ু।

*** খামেন অশীনবা মকূ খোকপীগে হায়রবদি?**
– খামেন অশীনবগী মকূ য়াম্না শেংনা অমসুং লায়না খোক্তোকপিগে হায়রবদি শৌরিবা ঈশিংদা সেকেন্ড ১০ রোম লূপশীনবিরুরগা অঙৈংদা অমুক লূপশীনবিয়ু, খামেন অশীনবদু পেত্থখিরোই, হান্নগী মওংদা অদুম লৈগনি, অদুবু মকুদি নীংথিনা খোকপা য়ারগনি।

*** খামেন অশীনবা শোইবিগে হায়রবদি?**
– খামেন অশীনবা শোইবিগে হায়রবদি মখোক পাল্লিবা মকোক্লোমদগী মখা থংবা শরুক্লোমদা শোইথবিয়ু, খামেন অশীনবদু মহী থোক্তনা কন-কন লাউনা অদুম লৈগনি। সালাদ শেম্লবসু মহী নাশবা শালাদ ওইররোই।

*** খূজীন শাংনা খাকপদা তেকহনবিরোই হায়রবদি?**
– খূজীন শাংনা খাকপীবদা তেকহনবিরোই হায়রবদি খাকপিরিবা খূজীন অদুদা নুংতিগী গ্লিসরিন হেক -হেক তৈবীয়ু।

*** খূৎকী খূনীং মুশিনহনবিরোই হায়রবদি?**
– ফনা নীংথিনা তকথোকপিদুনা নাম্থোকপিদুনা হোৎনবিরবসু খূৎকী খূনীংনা ইমু-মুশিন, মশূপ-মশূপ জবৌ-জবৌ ইৱাও-ৱাউনা অদুম্মক লৈরগদি গ্লিসরিন তৈবীরুরনু, কান্নবা থোইনা ফংলরোই। য়ুবী থাউ পানা তৈরগা নোইবিয়ু।

*** খূৎ-শা মোরোক শারক্লবদি?**
– হকচাংগী উনশা অসি মনুং-মপান নাইনা অনী থোক্লা লৈ। মপান থংবা উনশাগী তুখোঙ ফাওজীন্দুনা ময়ায়শিংনা চঙশীনবা ঙম্মী। মওং অসিদা ঐখোয়না মোরোক পায়রুবা, মোৎলুবনচিংবদা মোরোক্কী ময়ায়দু মপান থংবা উনশাগী মনুং ফাওজীনখিদুনা মদুংদা অশাবা ফাওহল্লকই। মদু ঐখোয়না মপানগী উনশাদা ফনা চামথোকচরবসু মোরোক্কী ময়ায়দুনা হন্দ্রিফাওবদি অদুম শাদুনা লৈগনি। মদুদা খরা খজীক শাফহন্নবগীদমক্তা থুম য়াম্না য়ানশিনবিরগা নৈখায়বিরবা অঙৈংবা ঈশিংদা অশাবদু লূপশীন্দুনা থম্বিয়ু। লাংখ্রে মনা শুগাইবিরগা মহী তৈবীবদসু কান্নবা ফংবিগনি।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকচবা)*